ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী নুপীশিংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী খোঙচৎ মাঙওইননা কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরকপা 'সু' হন্দোক্কদবনি হায়বা য়াওনা দিমান্দশিংং তকশিল্লদুনা খোল্লাউ লাউখিবা

মালোম অৱাংদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে
☛ লামায় ২

এম এল এ জয়কিষণগী এস্কোর্টশিং হন্দোকখ্রে
লামায় ৩

অমিট শাহগা উনদুনা দ্রামা তৌবগী মথৌ তাদে : হাওমী
☛ লামায় ৫

লাইশঙ মনাক্তা বম্বুলা থাবা থীংলুবগীদমক নুপা অমা ফুবিরম্লে
☛ লামায় ৭

মে ৩দগী লেপ্তুনা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং লোইশিলহল্লু অমসুং মণিপুরদা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন থম্বা য়ারোই হায়রদুনা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা



Vol. 47, Issue No. 66 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 30, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## নুমিৎ ২৭নি চাক্লকখিবা মৈ মূখৎনবা ঙরাং নুমিদাং অমিট শাহ থুংলরে

# লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০/১০ অমসুং লৈঙাক্কী থবক অমমম পীরগনি



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :**
থা অসিগী ৩দা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না শীন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ চৎখ্রবা মতুংদা টিদ্দিম লম্বীগী চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনবা মফমশিংদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্লকখিবদগী তোঙান তোঙানবা মীতৈ অমসুং কুকি তাবা মফমশিংদা লাম্নৈগুম্না শন্দোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং লেপ্তুনা থোরকখিবা ঙসি নুমিৎ ২৭নি শুরকপদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ ইম্ফালদা থুংলবগা পন্থদনা মহাক মশামক্না শরুক য়াদুনা 'ক্লোজদ্ দোর মীটিং' অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৌখিবা ৱারেপ মঙাগী মনুংদা থোকখ্রিবা ঈরাংশিংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০/১০গী শেনফমগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক অমমম পীননবা ৱারেপ্পখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৯.২০ লোম তারকপদা অখন্নবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী ফ্লাইট অমদা ইম্ফালগী টুলিহল এয়রপোর্টতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ হেক থুংলবগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ইম্ফালদা লৈরক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর নিত্যানন্দ রায়, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন ডা. সম্বিট পাত্র অমসুং লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, ৱাই খেমচান্দ, গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং টি ঐচ বসন্তকুমারনা তরাম্না ওকখি।

হোম মিনিষ্টরবু এয়রপোর্টতা ওকপদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, চীফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি, মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, দি জি পি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিশিং শরুক য়াখি। এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা হোম মিনিষ্টরনা বাবুপড়াদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা চৎতুনা পন্থদনা ক্লোজদ্ দোর মীটিং অমা পাঙথোকখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক লেপ্তুনা থোরক্লিবা ঈরাংশিং লোইশিলহন্দুনা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (হোম), হোম মিনিষ্টরবু এয়রপোর্টতা ওকপদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরশিং, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন সম্বিট পাত্র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি (হোম) অজয়কুমার ভাল্লা, ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর তপনকুমার দেকা, চীফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহসু শরুক য়াখি।

নুমিদাং পুং ৯.৪০ তারকপদগী হৌরদুনা নুমিদাং পুং ১০.৪৫ রোম তারকপা ফাওবদা পুং অমা হেন্না চথখিবা মীফম্না কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ মঙা লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরকপা, ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা অমসুং মীয়ামগী মরক্তা থাজবা লৈহন্নবা হোৎনবা, রিলিফকী থবকশিং মপূং ফানা পায়খৎপগা লোয়ননা মীয়ামদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মনুংদা পেট্রোল, এল পি জি গ্যাস, চেঙ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০/১০গী শেনফমশিং পীবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক অমমম পীবগা লোয়ননা তোকঙা শন্দোরকপা থিংনবগীদমক বি এস এন এলগী মতেং লৌদুনা টেলিফোন লাইনশিং লৈহনবা য়াওরি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা পীননবা ঙসিগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রবা লুপা লাখ ১০গী শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা লাখ ৫না মণিপুর লৈঙাক্না পুথোক্লগা অতোপ্পা লুপা লাখ ৫না সেন্ট্রেল স্যের ওইনা পুথোক্কনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ফংবা পাউজী মতুংইন্না হয়েং অয়ুক্তগী হৌরদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চাং অমসুং তমগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং য়াওনা কম্যুনিটি লিদরশিংগসু মথং মথং উন্নদুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমুক হঞ্জিলহল্লক্নবা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

লোয়ননা হন্দক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুর য়াওনা অতৈ মফম খরদসু হোম মিনিষ্টরনা হকথেংননা চৎতুনা মফমশিং অদুগী ফুরুপকী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী টেন্টেটিভ প্রোগ্রামশিং ওফিসল ওইনা ফংবা ঙমখিদ্রি।

### শুগনু ট্রাইবেল এরিয়াদা খূৎ থোক্লবদা মীওই ২ শিরে, ২ শোক্লে

ঙরাংসু শুগনু এরিয়াদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈগী য়ুম খরা মৈ থারকপদগী খূৎ হন্নদুনা কুকি ফুরুপশিংগী য়ুম খরসু মৈ থাদোকখিবগা লোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ষ্টেট ফোর্স অমসুং মীচম মীয়ামগী অপূনবা কাঙবুগা ওনশিন্নদুনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবদা মীওই ৪ শিখিবা অমসুং অতোপ্পা ৮না অশোক অপন নংখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মখা তানা চপ মান্নবা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপদা মীচম অনী শিরগা অনীনা অশোক অপন নংখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি শুগনু ৱার্দ নম্বর ৬তগী য়ুমলেম্বম সিবানন্দ (২৮) অপোকপা ইবোচৌ অমসুং শুগনু ময়ায় লৈকায়দগী হৌজিক্লা লংথবালদা লৈরবা খোইরোম রোমারিও (২৫) অপোকপা হেম্বনি হায়রি। মখোয় অনীগী হকচাং রিমসকী মোর্গতা পুরক্তুনা থমখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অসিদা পূন্না শোকখিবা মীওই ৪নি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অনীসি লৈখিদবনি। অদুগা শোক্লবা অনীগী মনুংদা অমগী ফীভমসু লুনা লৈরি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা মীচম অমগীদি নোংমৈ মরূনা খোঙদা পানবদগী থোইদোক্লা নুংশা থিনীংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক খূৎ থোক্লখিবা মফম অদুদগী অশোকপা মীওইশিং লৌথোকপা ঙমদবগা লোয়ননা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী পাউ ফংখি।

### মীওই ২৫০০ রোম শাফগদবা মফমদা থংদোকখ্রে

অমরোমদা, ঙরাংদগীনা ঙসি ফাওবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়ুম ৩৫০ রোম মৈ থারকপদগী লৈফম লৈতদুনা শুগনুগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী য়ুমদা চঙজফম লৌরকখিবা মীওই ২৫০০ রোম ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। সেরৌদগী থংদোরকখিবা মীওইশিং অদু ৱাঙু, ককচীং খুনৌ অমসুং ককচীংদা নৌনা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা থমখিবনি।

### কুকি মিলিটেন্টশিংগী মনুংদা লোংগ্রি শেৎপা মীওই ২ শিরব্রা

সেরৌদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাদোক্লবা চঙশিল্লকখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মনুংদা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি লালহৌলূপ-পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (পি দি এফ) কী কেদরশিং ওইরমগনি চিংনবা লোংগ্রি শেৎপা মীওই অনীগী অশিবা হকচাং থেংনরকখি হায়বগী রিপোর্ট ফংখি।

অদুম ওইনমক ওফিসল ওইবা রিপোর্টতি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা ফংবা ঙমখিদে। অদুবু মখা তানা সেরৌগী এরিয়াদা নাকল অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা খূৎ থোক্লখি।

### কুকি মিলিটেন্টশিংগা মখা তানা খূৎ থোক্লখি

অমরোমদা, নাপটকী এরিয়াদা লৈবা য়ুমশিং কুকি মিলিটেন্টশিংনা ঙরাং তুম্না মৈ থাদোক্তুনা মাঙহন তাকহনখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মফম অদুদা পোজিসন লৌদুনা লৈশিনখিবা মিলিটেন্টশিংনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈরোমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ইম্ফাল তুরেলগী নাক য়েৎতগী খূৎ হন্নদুনা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোকসু থোকখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা মীশি মীনা য়াওবগী পাউদি ফংবা ঙমখিদে।

### লৈমখোং/কান্তো শাবলদা খূৎ থোক্লবদা এম আর ১, মীচম ১ শোক্লে

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাই পি এসকী মনুং চল্লিবা অদুগা লৈমখোংগী আর্মি হেদ ক্বার্টরগসু নক্না লৈরিবা লৈমখোং অমসুং কান্তো শাবলগী এরিয়াদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং য়াওনা দুকান খরা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা চঙশিল্লক্লগা মৈ থাদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল থোকখিবা থৌদোক অসিগী পাউ ফংবদগী খুল অনীমক্কী খুঞ্জাশিংনা ষ্টেট ফোর্সকা খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লুবদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পরকপদগী তরুকশুবা এম আরগী পর্সনেল অমা অমসুং মীচম অমা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখ্রে।

থৌদোক অসি থোক্লবা ফাওবদা আর্মিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎলকখিদে হায়রি।

### কৌত্রুক মনিংদা নোংমৈ কাপ্লখ্রে

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবা অতোপ্পা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদনা সেকমাই পি এসকী মনুং চল্লিবা সেঞ্জম চিরাং, কৌত্রুক অমদি ফুমলৌগী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা টাটা টিপর অনীদা তোংদুনা কোয়থৌ থৌরল্লবা মতুংদা মীতৈগী য়ুমশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চঙশিল্লক্লগা য়ুম খরা মৈ থাদোকখ্রে হায়রি।

মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী খুল ঙাক্লিবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্সকী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা কাপখি। অদুবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা হেঞ্জিল্লকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্যান্দো টিম অমা চঙশিল্লকপদগী ঙাইহাক খূৎ থোক্লরল্লবা মতুংদা লেপ্পখি হায়রি।

থৌদোক অসিদসু নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওরম্বা য়াবগী পাউ ফংখি। অদুম ওইনমক ওফিসল ওইবা রিপোর্টতি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে।

### শবুংখোক্তা কম্যান্দোগা অসাম রাইফলসকা নোংমৈ শৎনখ্রে

ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী শবুংখোক অমসুং শৈজাংগী মরক্তা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী গাড়ীশিং লম্বী ময়ায়দা ফৈজিল্লগা থল্লিঙৈদা ইম্ফাল লোমদগী য়াইংংপোকপী তম্না চৎখিবা কম্যান্দোগী জিপসি অহুমবু অথিংবা পীরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনদুনা খূৎ থোক্লরকপা য়াবগী ফীভম ফাওবা য়ৌরকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক সিক্যুরিটি ফোর্স অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপা অদুদগী মৈরা পায়বীশিংসু য়াওশিল্লক্তুনা মখোয়গী এরিয়াদা অসাম রাইফলশিং চঙলকপা য়ারোই হায়না থিংখি। কম্যান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী মরক্তা নোংমৈ ফাওবা শৎতোক্লন্দুনা পুঙ্খায় অমরোম চুপ্না উংখৎনরবা মতুংদা কম্যান্দো পর্সনেলশিং অদু ইম্ফাল রোমদা অমুক হল্লগা চৎখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মফম অসি খক্তা নত্তনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী পরিংগী চীংঙারেল, শওম্বুং অমসুং ইম্ফাল কৈবি লম্বীগী পৌরাবিগী পুখ্রি অচৌবা মপালনচিংবা মফমশিংদসু অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা মখোয়না তোংলকপা গাড়ীশিং লম্বী ময়ায়দা ফৈনা খামজিন্দুনা থৎলগা ষ্টেট ফোর্স খক্তা নত্তনা পাউমীশিং অমসুং মীচম মীয়াম্বু নমদুনা থৎলগা চৎহন্দবগী থৌওংশিং চথখি।

### ময়াং ইম্ফালদা আর্মি লৈগনি চিংনবা মফম থুগাইখ্রে

ময়াং ইম্ফালগী খোঙ্গোই সোরোক্তা লৈবা হান্না আর্মিশিংনা লৈনরম্বা পকাগী বিল্ডিংশিং ঙসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## অসাম রাইফলসনা পাউমীশিংদা 'শিবা পাম্লবদি চৎলু' হায়দুনা কিহল্লগা লম্বী থিংজিন্দুনা চৎহনখিদ্রে



ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী লল্লাই পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী গাড়ী ২ ফৈজিন্দুনা খাম্লগা অচৎ-অওকশিং পুমথিং থিংখিবা



পাউমীশিংদা 'শিনীংলবদি চৎলু' হায়দুনা কিহল্লগা নমদুনা চৎহনখিদবা এ আরগী পর্সনেলশিংনা তোংলকখিবা গাড়ীশিংগী মনুংদগী অমা

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী মণিপুরদা কাংলুপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা তমথীরবা ঈরাংশিং লাকশিন্দুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভমদা পুরক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট ফোর্সপু মতেং পাংলরিবা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী মরক্তগী অসাম রাইফলসনা ঈরাং লাকশিনবদা অচান মীরাই নাইবগী থৌওং চথরে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা ঈরাং মায়োক্লরবা মীয়াম্না মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং থম্বীগনু হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌনরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২ হেল্লকপদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী পরিংদা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী গাড়ী অনী পুল্লপ ফৈজিন্দুনা খামজিল্লগা অচৎ-অওকশিং পুমথিং থিংজিনখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা পাউ লৌবা চৎলুবা পাউমীশিংসু অথিংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## বি এস এফনা বুলেট প্রুভ জেকেট অমসুং টিয়র স্মোক গন পুরকপা গাড়ী তৌপোকপী-উপোকপী লোন্নবদা মীয়াম্না মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা থোরকখিবা য়ূম মৈ থাবা অমসুং নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোকশিংগী চৈরক্তা লন্নাই মীওই অমগী বোলেরো পিক অপ ভেন এম এন-০১/এ এ-৬৩৫৮দা বি এস এফকী পর্সনেল অনীনা বুলেট প্রুভ জেকেট ৩০ অমসুং টিয়র স্মোক গন ২ হাপ্তুনা পুরকপদগী তৌপোকপী অমসুং উপোকপীগী লোন্নবা মফম অমদা মীয়াম্না মৈ থাখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর পি এসকী মনুং চল্লিবা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী তৌপোকপা অমসুং উপোকপীগী লোন্নবা মফম অমদা থোকখিবনি। মফম অদুদা হান্নদগী হৌনা য়াল্লবা নুপীশিং য়াওনা মীয়াম্না থোরক্তুনা অচৎ-অওক তৌবশিং চেক তৌবগী থবক চথরকখিবনি। তাঞ্জাদুদা ইম্ফাল লোমদগী মোইরাং তম্না হায়রিবা গাড়ী অসি লাকখিবনি। লোয়ননা মীয়াম্না গাড়ী অদু খামদুনা চেক তৌবদা মীওই অহুমদুগী মনুংদা অমনা দ্রাইভর ওইরগা অনীনা বি এস এফকী এ এস আই মনারাম কৌবা অমগা মহাক্কী পর্সনেল অমগা ওইরমখিবনি হায়রি।

মীয়াম অদুনা মখোয়না পুরক্লিবা পোৎ চৈশিংদু করিনো হায়দুনা চেক তৌরুবদা বুলেট প্রুভ জেকেটশিংগা লোয়ননা টিয়র স্মোক গন অনী য়াওরম্বদগী গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা মীওই য়াওনা মখোয় ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## নরানসৈনাগী ২শুবা আই আর বি হেদ ক্বার্টরদগী আর্মিনা নোংমৈ লৌখৎপা লাকপদা মীয়াম হৌরক্তুনা ঈরাং থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোরকপগী মনুংদা ষ্টেট ফোর্সশিংদগী মীয়ামগী মোবনা ওভর পাৱর তৌদুনা খূৎশু খূৎলায়শিং লৌরে হায়বগী থৌদোক খরদগীনি হায়রদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নরানসৈনা মনীং লৈকায়দা চহী খরগী মমাঙদগী লৈরক্লিবা অনীশুবা আই আর বিগী হেদ ক্বার্টরদগী নোংমৈ অমসুং মরূশিং সিখ রেজিমেন্টকী সী ও অমনা লুচিংবা টিম অমনা পুল্লপ লৌখৎলগা মখোয়গী গাড়ীদা হাপচিন্দুনা পুননবা হোৎনরকপদগী মীয়াম হৌরক্তুনা অচৌবা ঈরাং অমা থোকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ১০ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি। সিখ রেজিমেন্টকী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিংনা অনীশুবা আই আর বিগী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর অসিগী পর্সনেলশিংনা শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায় অমসুং মরূশিং পুল্লপ লৌখৎতুনা মখোয়গী গাড়ীদা হাপচিন্দুনা পুখিনবা হোৎনরে হায়বগী পাউ ফংবদগী মফম অদুমক্তদা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর অসিগী অকোয়বদা লৈবা মশীং য়াম্লবা নুপী য়াওনা মীয়ামশিং থোমজিল্লকখি। লোয়ননা নরানসৈনা হায়রিবা মফম অসি মনীংলোম থংবা শরুক্তনা চীংগী শরুকশিং ওইবদা নত্তনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ওপরেট তৌরিবা মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা মফম খরদসু তাইননা অমসুং শম্নবা লৈবনা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর অসিদগী খূৎশু খূৎলায়শিং লৌখৎখ্রবদি আই আর বি পর্সনেলশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :**
হয়েং মে ৩০গী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী অয়ূক পুং ১১ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Ngarang numidang thunglakhiba Union Home Minister Amit Shahna Manipurgi irang soidana loisinhanba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurda houjik thokliba thoudoksing ashi State leingakna "Houdongna Nga chari, yengli" haibagumna leithokle haibada langadra?

Yes 80% No 20%

## অমিট শাহ লাকপবুদি শ্বর হোনবা ফংবা, য়ূম মৈ থাদবা অমসুং নোংমৈ কাপ্লক্তবনা হেন্না পাম্মী

### হকথেংনবা পাউদম
*লৈমখোং অমসুং কান্তো শাবলগী খুঞ্জাশিং*

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ৩দগী হৌরক্লগা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা থোকখিবা ঈরাংশিংদা ম্যান্মারদগী ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং অমসুং সুগী মিলিটেন্টশিংনা মখোয়না মতম কুইনদগী শাগৎলকপা অনীংবা অপাম্বশিং থবক্তা ওন্থোরকপনি হায়বসি ঙসি নুমিৎ ২৭নি চূপ্না থোরকখিবা থৌদোকশিংনা হেন্না ময়েক শেংহল্লক্লে। ঈরাংশিং অসি নোংমৈ কাপ্পা অমসুং য়ূম মৈ থাবনা মাঙ থাদুনা চথরকখিবনি। অদুগা মীতৈনা মশা ঙাকথোকচনবা খুল-খুলগী ভোলন্টিয়রশিংনা অঙন্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা হোৎনরক্লগসু ঙাকথোকচবা ঙমজদনা য়ূম কয়া মথং-মথং উৎ ওনখ্রিবনি অমসুং থৱায় কয়া মাঙলক্লিবনি।

ৱাফম অসি ঙসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা লৈমখোং, কান্তো শাবলদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং হকথেংনরুবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়দুনা লান ওইনা চথরকপনি। অদুগা মপান্দগী মণিপুরদা লাকখিবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) অমসুং আর্মিশিংনসু থম্মোয় শেংনা মীচম মীয়াম্বু ঙাকপীবগী মমি তারক্তবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মপান্দগী মণিপুরদা লাকখিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মীচমদা ওনশিন্দুনা খূৎ থারকপগী থৌদোকশিংসু লেপ্তুনা থেংনরক্লি।

ঙসি নোংমা নীনি অসিদদি চীফ মিনিষ্টরসু অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌরকপগী মমিদি তারক্লে। মমাঙদা ঈং-তপ্পা হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন লাউরম্বদু হৌজিক্তি কুকি টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূখৎকনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং পাউচেশিংদগী থেংনরে। অদুবু ৱাফমসি ফোঙদোরক্লগসু কুকি মিলিটেন্টশিংগী এটেকশিংদি হনবা লৈতনা চথরক্লি হায়রি। হৌজিকসু লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর অমা অমসুং আর্মিগী চীফ নুমিৎ নীনি হুমনিগী মমাঙদগী মণিপুরদা লৈদুনা কৃপ্না ঈরাং অসিবু মোনিটর তৌই। ঙসি নুমিদাং পুং ৯ খরা হেল্লকপদনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ ইম্ফালদা থুংলখি। অদুবু মহাক লাক্লবা মতুংদা করি য়াথং তাওথরক্কদৌরি অমসুং করম্বা লাল্লোংনা ঈরাং অসি নেমথহনগদৌরি হায়বা ৱাহংসু পাউচে অসিদা হংলকখি।



খুঞ্জা অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপা অদুৱাইদা খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনা মথং-মথং চঙশিল্লুবদা লৈমখোংগী কান্তো শাবল য়ৌশিল্লুবদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা কান্তো শাবলগী য়ূম ৫/৬ রোম অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈ থাবা হৌরকখি হায়বা খঙলকখি। ইভৌরোক চীংমাংদা লৈবা ইমা কৌনুগী লাইশঙ অমসু মৈ থাদোক্লমখি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা থবকশিং অসি ইরাপ লাপ্লদনা লৈরিবা মপানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা পর্সনেলশিংনসু উরবসু করিমক্তা তৌদনা অদুমক য়েংদুনা লৈখি হায়রি। থৌদোক থোক্লিবা মফম অসিদা কুকিগী খুল ওইরিবা এল ফাইকোল কৌবা চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা লাকপা কুকিশিংনা খুন্দাবা খুল অমা লৈ। হায়রিবা খুল অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী কেম্প অমা লৈবা মাল্লি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক নুমিৎ হুমনিমুক্কী মমাঙদগী ষ্টেট ফোর্সকী চাওরাক্লা পর্সনেল ৩০ মুক লাক্তুনা ঙসিগী থৌদোকশিং থোক্লিবা মফমগা নক্না লৈরখিবনি। লোয়ননা থৌদোকশিং অসি থোরকপদগী মখোয়গা ওনশিন্নদুনা পোজিসন লৌনরগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লবদা তরুকশুবা এম আরগী পর্সনেল অমগা খুঞ্জা অনীগা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

থৌদোক থোকফমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫